# পেলেনা চহী ৮০ চঙশিল্লকপা

- লৈশাংথেম অজিৎ -

ব্রাজিলগী মমিং চৎলবা ফুটবোল শান্নরোয় পেলে হৌজিক শেল পায়বা মালেমগী শান্নরোয়শিংগী মরক্তা, ইনাক খ্বাইদগী হেন্না খুনবশিংগী মরক্তা অমা ওইখ্রে। তৌইগুম্বসুং মহাক্না চাউরাক্না চহী তরেৎশুবা মতমদা মহাক্কী ইমুং অদু লায়রমনখিদুনা খোঙউপ কাপ থাদুনা শেল তাল্লম্মী। মহাক্না অসুম্না হায় মদুদি মহাক্কী মরুপ অমনা খোঙউপ কাপ থাবশিংনা দরকার ওইরিবা পোৎ চৈ অমসুং ব্রজনচিংবা হাপ্পবা উপু মচা অমা শাবিরম্মী অদুগা মহাক্কী মখুরা কোরজনা অতৈ অতৈ দরকার ওইরিবা পোৎশিং অদু লৈনবা শেল পীরম্মী। মহাক্না অহানবদা যূম খুদিংগী চংদুনা খোঙউপ কাপ থাগদবা লৈব্রা হায়না থোঙজিন্দা থিন্দুনা হংবা মতমদা কনা অমত্তদগী পাউখুম ফংখিদে। অদুবু নোংমদি মখোয়গী ময়ূম মনাক্তা লৈবা যূমলোন্নবা অমদি মহাক্না কাপ থাগদবা লৈব্রা হায়না হন্না হন্না লাউবা অদুদা থোরক্তুনা মহাক্না কাপ থাবগী খুদোংচাবা অদু অহানবা ওইনা ফংখি। অদুবু মহাক্না যূমলোন্নবা নুপা অদুদগী শেল কয়া লৌগদগে হায়বা খঙলমদে, মহাক্না যূমলোন্নবা অদুনা পীবা শেনফম অদু অদুমক লৌরগা লাকখি। মহাক্না হায়বদি মহাক্না পীরিবা শেলফম অদু মীয়াম্না পীনরিবা চৎনবী অদুদগীদি য়াম্না হন্থনা পীরম্মী। মতম অদুদা মহাক্কী মপাগা পোকমিন্নবা মনে মারিয়ানা মহাক্কীদমক খোঙউপ জুরা অমা পুরকখি। খোঙউপ অদু মহাক্কী মনেনা থবক শূরিবা ইমুং অদুগী মচানুপাগীনি। নুপামচা অদু চাউবা হেনগৎলকপদগী খোঙউপ অদু মঙোন্দা চাদদুনা পীথোরকপনি। মদুদগী মহাক্কী মমা অপোকপীনা মহাকপু মঙোন্দা পীরিবা খোঙউপ অদুদা খোঙউপ কাপ থাবগী প্রেক্টিশ তৌনবা পাউতাক পীরম্মী অমদি মনে অদুনা মহাক্কী মীৎয়েং মখাদা খোঙউপ শেংদোকপা অমদি কাপ থাবগী থৌরম পরেং প্রেক্টিশ অদুদা পাঙথোকহল্লম্মী। মহাক্না মখুরাগী অমদি মবোক্কী খোঙউপশিং কাপ থাদুনা লংত্রিক লংত্রিক লংহনখি। মমৈথংদা মহাক ফুটবোল শান্নদুনা মহাক্কী খোঙউপ হায়বদি ফুটবোল বুট অদু মালেম অসিদা পুকলং লংহনখি। মহাক্না ফুটবোল শান্নফমশিংদা খোঙউপ কাপ থাবা চৎপা অসি মহাক্কী নোংমগী মথৌ ওইরম্মী। মহাক্না কাপ থারিঙৈ মনুংদা দোনদিনহোনা মীয়াম মরক্তা পেলেনা কাপ থারিবা অদু মরক মরক্তা য়েংশিনবীনবা মমানা শিন্নরম্মী।



ফুটবোল শান্নবা লোইরবা মতুংদা দোনদিনহোগা ময়ূমদা কোন্নদুনা নুংশিননা হল্লকখি। মহাক্না কাপ থাবগী অফংবা শেল অদুনে, দোনদিনহোনা মেচতা ফংলকপা শেনফম অদুনে, মখোয় অনীনা ইমুং অদুগী শেল থোকপা হায়বা অদু ওইখি অমদি ইমুং অদু চরামক্তি হেনখিদে। দোনদিনহো সেমী প্রোফেসনল ওইনা মেচকী নোংমগী শেনফম ফংবা শান্নরোয়নি হায়নৈ।

মখোয়না লৈরিবা বাউরু কৌবা সহর অদু রেলৱেগী অচৌবা ষ্টেসন অমা ওইরম্মী। লৈবাক অদুগী মরুওইবা রেলৱে মরি লৈ মদুগী মনুংদা অহুম অমদি বাউরু সহর ফাওদুনা চৎলি। মদুগী মনুংদা নোরোইষ্ট রেলৱেজনা বাউরুগী নোরোইষ্ট ক্লবপু স্পোন্সর তৌই। মখোয়গী অকনবা লম্বাদি বাউরু এথলেটিক্স ক্লব (বি এ সী) নি। পেলেনা ষ্টেদিয়ম অদুদা য়াম্না তোয়না চৎখি : দোনদিনহোনা শান্নবুং অসিদা বি এ সীগী শান্নরোয় ওইনা শরুক য়াদুনা য়াম্না তোয়না ফুটবোল শান্নবা চৎলি অমদি মহাকপুসু দোনদিনহোগী ময়াম্বগী মচানি হায়বা খঙই। পেলেসু লম্বীদা, লৈরক্তা ফুটবোল কাওদুনা চহী কয়াগী হৈনবী অদু লৈরবা মতুংদা ষ্টেদিয়ম অসিগী অহাঙবা মতম হায়বদি মেচ শান্নদবা নুমিত্তা ফুটবোল শান্নবগী খুদোংচাবা ফংখি।

নোরোইষ্ট ষ্টেসন্দা ত্রেন য়াম্না তোয়না লাক্লম্মী। মদুদা লাকপা পেসেঞ্জরশিং অমদি ষ্টেসন্দা লাকপা মীওইশিংদা মহাক্না খোঙউপ কাপ থাবগী খুদোংচাবা ফংই। অদুবু নুংথিল ওইরকপা মতমদা অরোইবা ত্রেন চৎখ্রে। মদুগী মতুংদা নুমিৎ অদুগী ওইনা ত্রেন অমত্তা লাক্লরোই। মতম অদুদা মহাক্না ময়ূমদা খোঙউপ কাপ থাবগী পোৎচৈশিং অদু থম্লুরগা মহাক্না নুমিৎ অদুদা ফংলকপা শেলশিং অদু মমাদা শিন্নরল্লগা মোজা অমনবা অমগী মনুংদা ফিজেৎ-ফিগাইশিং হানজিল্লগা শেম্বা ফিগী বোল অমা পুরগা মমান্নবশিংগা লম্পাক্তা ফুটবোল শান্নবা চৎলম্মী। মদুদা শান্নরোয়শিং অদুনা বোল খোঙনা চেন্দুনা পুবা, অমগা অমগা পাস তৌনবা, মায়োক্নবা শান্নরোয় অমা লাম্থোক্না বোল পুনবা হোৎনবা, অতৈ অতৈ ফুটবোল শান্নবদা দরকার ওইবা খোঙগী হৈশিংবশিং অদু ইনখৎলক্লিবা নুপামচাশিং অদুদা হেন্না হেন্না হৈথোয়-শিংথোইবা নোংমা নোংমগী হেনগৎলকখি।

পেলেগী মখুরা মহাকপু লুনা তৌবীবা দোনদিনহো ক্লিনিক অমদা লৈরম্মী। মদুদা নোংমা মহাক্না পেলেবু মহাক্কী মনাক্তা কৌশিন্দুনা মহাক্কী মপুন্সিদা করি থবক তৌদুনা হিংনবা লম্বীদা খোঙদাবা পাম্মী হায়না হংবদা মহাক্না পাইলোট ওইবা পাম্মী হায়না খুমখি। মদুদা মখুরা অদুনা অসুম্না হায়রম্মী মদুদি নহাক পাইলোট ওইনবা হোৎনবদা করি করি দরকার ওইবগে হায়বা খঙব্রা? মদুদা মহাক্না খুমখি মদুদি মহাক এরোপ্লেন করম্না পাইগদগে হায়বা অদু তম্বা তাবনি। মদুদা মখুরা অদুনা পাইলোট অমা ওইবগী চংদ্রবা য়াদ্রবা মচাকশিং হায়বদি মেপ রিদিং, নেভিগেসন অমদি অঙ্ক অমসুং সাইন্সকী মচাকশিং অসিগী মরমদা মঙোন্দা শন্দোক্না হায়রম্মী। অদুনা মহাক্না সবজেক্টশিং অসি হৈরবদি পাইলোট ওইবা য়াগনি নৎত্রবদি পাইলোট ওইবা য়াদে হায়খিবদগী পেলেনা লাইরিক তম্বগী কান্নবশিং খঙলকখি। মহাক্না লাইরিক পাবা থোক্তবা মরম্না পাউচেদা ফুটবোল শান্নবগী মরমদা ফোঙবা ঈ-পাউশিং পাবা ঙমদে। রেদিওগী পাউ নত্তনা মঙোন্দা গ্যান হেনগৎনবা অতৈ পাম্বৈ লৈরমদে। মহাক্কী মখুরাগী পাউতাকশিং অদুনা মহাক লাইরিক তম্বগী কান্নবা মঙাল অদু তপ্পা তপ্পা ৱাখল তাখি।

ক্লিনিক অমদা থবক তৌরিবা মখুরা অদুদা মহাক্না হংখি মদুদি স্কুল চৎলবদি মহাক্না খোঙউপ কাপ থাবগী মতম করম্বা মতমদা ফংগনি। পেলেগী মখুরানা অসুম্না খুমখি মদুদি নহাক্না স্কুলদা চৎলবদি খোঙউপ কাপ থাবগী মতম, ঐগী ক্লিনিক্তা মতেং পাংবা, হোম ৱর্ক তৌবদা অতৈ অতৈ থবক্কী মথক্তা নহাক্না ফুটবোল শান্নবগী মতম ফংহনগনি। মদুদগী পেলে লাইরিক তম্বগী লম্দা খোঙ থাংজিনখি। মহাক্কী লৈফম অদুদদি প্রাইমারিগী থাক্তা চহী মরি মতুংদা সেকেন্দরিদা চহী মরি অমগা তমগদবনি। য়ুনিভর্সিটিগী থাক্তা তমগে হায়রবদি চহী অহুম অমুক তমথগদবনি। মহাক অর্নেষ্টো মোনতি প্রাইমারি স্কুলদা মশাগী চহী ৮শুবদা মীং চন্দুনা লাইরিক তম্বা হৌ-খ। মহাক্না স্কুল অদুদা অহানবা ওইনা চংখিবা অদুদা ওজাশিং অদুনা অঙাংশিং অদু লাইরিক তম্বীবদা মথৱায় য়াওদে, মপূক্লিং চংদে মহৈরোয়শিং অদু হৈহন্নীংবগী ৱাখল ইয়াও য়াওদে।

মহাক্না হায়, 'ফুটবোল অসি থোয়দোক হেন্দোক্না য়াম্না মরুওই। নখোয়না গ্রুপ ওইনা শান্নে, নতোমতা নাইতোম ওইনা শান্নবা য়াদে - টিম অমদা য়াওমিন্নরিবা শান্নরোয়শিংদা পূম্নমক পূক্লিং হকচাং অমত্তা ওইবগী মীত্রংগুম্বা পোৎশকশিং য়াওরি। ষ্ট্রাইকর অমদা পাস নীংথিনা তৌখিবা অসিমক পাঞ্জল চনবগা চপ মান্নে। মহাক্না হেক পাঞ্জল চনখিবদা ঐখোয় পূম্নমক হরাওমিন্নে। মসিদা মীৎয়েংলোই পূম্নমকপুসু হরাওহল্লি। মসিনা শান্নরোয়শিংগী মরক্তা মরুপ-মপাং ওইবগী মরী হেন্না চেৎশিলহনবা ওইহল্লি।'

চৎলিবা থা অসিগী ওক্তোবর ২৩দা মহাক্কী মপোক নুমিৎ মালেমদা লৈরিবা মহাকপু নুংশিবা ফুটবোল শান্নরোয়শিং অমদি মশান্না অসিবু পামজবশিংনা পাঙথোক্লগদৌরি। ●




# ফ্রেমৱর্ক এগ্রীমেন্ট - এন এস সী এন (আই এম) না মণিপুর নাগাশিংবু মখোয়দা পুনগদবনি হায়বদু ঐখোয়গী আর্কিওলোজিকেল এন্দ হিষ্টোরিকেল ফাইন্দিংশিংনা চৎনবা য়াবা নত্তে হায়বদু উৎলে

- ওপিনিয়ন মেকর -
- ডো. টি ঐচ সুরেশ -
এক্স-দিরেক্টর, হেল্থ এন্দ দব্লিয়ু ঐচ ও ফেলো

মণিপুরীশিংনা ঐখোয়গী হিষ্টোরি অসি টেলেস্কোপ থান্দুনা মনুং হুৎনা য়েংবা তাবনি, অদুগা মদু লোজিকল মেনরদা মীয়ামদা খঙহনবা তাবনি। লাইবক থীবনা মসি ঙসি ফাওবা তৌদ্রি। মসিনা মরম ওইদুনা ঐখোয়না কবো ভেল্লি অমদি ইন্টরনেল ওটোনোমিদা ফ্রীদম ওইজরম্বদু মর্জর এগ্রীমেন্টকী ৱারী শানবদা মাঙখিরম্মী। নেগোসিএসন্দা ঐখোয় হৈতবদা নত্তনা য়াম্না হৈতবা কাঙলূপ অমনি। নাগাগী ৱারোইশিনসিদা মসিমদি থোকহন্দবা ফৈ হায়বা ৱাফমসিমা থমজরি। হায়রিবা ৱাফমশিংসিগা লোয়ননা মখাদা পীরিবা ইম্পিরিকেল লিগেসিশিংসি পাবিরিবশিংদা থমজরি :-

**১) আর্কিওলোজিকেল প্রুফ :** জিওলোজিকেল সর্ভে ওফ ইন্দিয়াগী রেকোর্দ মতুংইন্না মণিপুরদা উনগী মপৈ কয়া কয়া লৈরম্মী। গ্লেসিয়রশিংগী মরক্তা লৈবা ridges শিং অদু ফিট লিশীং ৬তগী ৮ ফাওবা ৱাংবা প্লেটিয়ু অমদা লৈরম্বনি। উন মপৈ মপৈ সুম পৈশিল্লকপা অদুনা য়ু-সেপ ওইবা তম্পাক কয়া শেল্লম্মী। মণিপুরগী তম্পাক অসি হান্না অচৌবা পাৎ অমা ওইরম্মী, উন্না পেৎথরকপা অদুবু অকনবা নুংশিৎশিংনা তম্পাক্তা পুরম্মী। অদুনা আইস এজগী মতমদা থংনবা প্লেটিয়ুদগী চেন্থরকপা তুরেলশিংদুনা debries ময়াম পুথরক্তুনা পাৎ অদু মতমগী মতুংইন্না ফুনজিন্দুনা হৌজিক ওইরিবা তম্পাক অসি শেমখিবনি।

কংলবা তম্পাক অসি য়েরুম মওং মাল্লি, অদুগা অৱাংদগী খা নোংপোকলোমদা তপ্পা তপ্পা নেমথরক্তুনা ঈশিং চেন্থফম নেচরনা শেম্বী। অৱাং অমসুং খাদা তম্পাক অসিদা অপিকপা চীংদুম কয়া কয়া তোঙান তোঙান্না উবা ফংই, অদুগা খা থংবা শরুক্তসু পাৎ অমদি মোংশোং কয়া উবা ফংই। অচৌবা চীংশিংগী মরক্তা লৈবা ridge কয়াশিংদুগা লোয়ননা অমুকসু তোখায়হনবা অমুকসু পুনশিন্নবা ওইহন্দুনা ফজরবা মণিপুর অসি মহৌশানা শেম্বীবনি। অদুনা কনাগুম্বা অমনা শেংলবা অতিয়াদা এরোপ্লেন তোংদুনা চৎলবদি পূক্লিং হুনা ফজরবা ভিয়ু অসি উবা ফংই। চীংজাওশিংগী মরক্তা লৈরিবা ridge শিংসিনা থিন্দুনা তাক্লিবদি - ইপা-ইপুশিংনা থায়নঙৈদগী হায়রম্বা মণিপুর অসি চীংলোন মাপন্না কোয়শিনবা তম্পাকনি হায়বদুনি।

আর্কিওলোজিকেল টিম কয়ানা মণিপুরদা লৈরিবা কেভশিং হায়বদি খাঙখুই, থারোন, সিঙবু, নাপাচিক, নোংপোক কৈথেলমানবীনচিংবশিংসি তৌথোক্তুনা য়েংখ্রবনি। মসিগী মনুংদা সিভবুনা খ্বাইদগী অরিবনি, **ষ্টোন এজ**গী মতমনি, চাউরাক্না হৌজিক্তগী চহী ৪০,০০০ রোমগী মমাঙদগী লৈরক্লবনি। মসিদা ফংলকপশিংসি প্রী-নিওলিথিক পেরিওদকী অন্ধ্র প্রদেশকী কুরনুল কেভতা ফংবদুগা চাংদম্নবা য়াই। চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী ফুকোন নিংথৌ কেভ এক্সকেভেট তৌরগা ফংলকপশিংদু **relative dating method apply** তৌদুনা য়েংবদা মখোয় অদু Palaeolithic Period কী মীওইশিংনা লৈরম্বা মফমনি হায়রি। মখোয়গী মতুংদা Neolithic Period কী মীওইশিংনা অমুক লৈরম্মী। অদুনা ৩৩ এ দিগী পাখৎলবদি থম্বু থমখিসি, মণিপুর অসি য়ামদ্রবদা চহী ৪০,০০০গী মমাঙদগী খুন্দাবা হৌরক্লম্মী হায়বনি। ইহান হান্না খুন্দাবদুনা চীংদা, মথংদা চীংগা-তমগা তাইনবা স্লোপতা, অদুগা ইকোন কোনবদা চাউরবা তম্পাক্কী পাৎ অদু তুরেলনা পুথরকপা লৈনাংশিংনা থল্লবা মতুংদা তম্পাক্তুদা খুন্দাবা হৌখি। অদুনা ঐখোয়না চিনহাইদা হায়নবা - **চীংনা কোয়না পনশাবা, চীংমীনা কোয়না পনঙাকপা** হায়বদু ঙসি ফাওবা অচুম্বা ওইদুনা লৈরি। **চীংমী অমসুং তম্মীশিংসি হৌরকফম অমত্তনি হায়বসি লেংবা য়াদ্রবা ইম্পিরিকেল ইভিদিএন্সনি, কনা অমত্তনা মসিবু লাল্লি হায়বা ঙল্লরোইদবনি।**

**২) হিষ্টোরিকেল প্রুফ :** ঐখোয়গী পুথোক্লবা অমদি পুথোক্ত্রিবা পুয়া কয়া অমদি ত্রেদিসনেল সোর্সশিংদা য়ূম্ফম ওইরগা হিষ্টোরিয়ন অমদি স্কোলর কয়ানা (ফোরেনরশিং য়াওনা) ইরল্লিবদি - চাউরাক্না ৩০,০০০-২,৫০০ বি সী অদুদগী মণিপুরদা অপিক-অপিকপা খুঙ্গংদা/লমশিংদা নিংথৌশিং/খুল্লাকপশিং পাল্লম্মী হায়বসিনি। **Hangkok era** গী তোঙানবা মতম মরিদা নিংথৌ ১০৪ পাল্লম্মী হায়না ইরি। অদুগা **Chak era** দনা নিংথৌ/খুল্লাকপা ১১১না মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমদা পাল্লম্মী হায়নসু তাক্লি। অদুনা, তোঙান তোঙানবা নিংথৌশিংনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাল্লম্বা, অদুবু কোন্না তৌরকপগুম কংলাদা ময়ায় তাংবল লৌরম্বা নিংথৌ লৈরমদবা অদু ঐখোয়গী লেংদ্রবা লিগেসি অমনি হায়বসি মশানা তাজবা ৱাফমনি। অদুবু পাখংবনা ৩৩ এ দি অদুৱাইদগী কংলাদা পাল্লকপদগী হৌজিক ওইরিবা মণিপুর অসি তপ্পা তপ্পা অমদি লেপ্তুনা পুনশিনবা হৌরকখি। চীংশিংবু পুনশিনবা হৌরকপসি নিংথৌ থৱানথাবনা চীংসোং চীংদা ১১৯৫ এ দিদা লান্দাবদুদগীনি (ওথর কয়ানা ১৩০২ এ দিদা মরিং খুন্দা লান্দাবদুদগী হৌই হায়বদু অরানবনি)। খোইবু মরিং খুন্দা লৈরিবা য়াম্না লিরবা ষ্টোন ইন্সক্রিপ্টসন অদুদা য়ূম্ফম ওইরবদি মসি নিংথৌ শামৈরোংনা পানবা ৫১৮-৬৫ এ দি অদুৱাইদগীনি হায়বসু য়াই।

তম্পাক্কী ওইনদি, কংলাদা পাল্লম্বা নিংথৌজা কাঙলূপ্না অতৈ কাঙলূপ ৬পু নমথবা হৌবা অদুদগী হৌখি। মসি ৪শুবা সেঞ্চুরিদা নিংথৌ নাওখোম্বনা (৪১১-২১ এ দি) চেঙলৈ নিংথৌ থাঙয়াই খোংজেম্বগী মীরোল্লবী মহারানিবু নমদুনা ফারগা পুরকপদুদগী হৌরগা নিংথৌ নিংথৌখোম্বনা মোইরাং লৈবাকপু ১৪শুবা সেঞ্চুরিদা লৌশিনবা অদুদা লোইখি। হৌরকপদদি, চীংমী-তম্মীগী মরী অসি মীচম মীয়াম ওইনা নৎত্রগা মরুপ-মপাং ওইনা ওইরম্মী। মতুংদদি, লান্মীগী পাঙ্গলনা কংলাদা পাল্লম্বা নিংথৌশিংনা চীংমীশিংবু খুদুম চনশিন্দুনা মখা পোলহনখি।

অদুনা মসিমদি ককফম য়াওদ্রবা ৱাফমনি মদুদি - মণিপুরদা মরুওইবা সব-ত্রাইব ৩ (হায়বদি নাগা, কুকি অমসুং মৈতৈ) লৈরবসু, লৈবাক অসিদা হৌরকফম মান্নবা/মপা-মপু মান্নবা সব-ত্রাইব ৩৪-৩৭ লৈরম্মী অমসুং লৈরি হায়বসিনি। অদুনা, মথায়-থায়নদগী চীংমী-তম্মী অসি হৌরকফম অমত্তদগী মচিন-মনাওনি হায়বসি লেংদ্রবা ৱাফমনি। হেদলাইন ওইরিবা **The great hatre and divide** অদুদি বৃটিশশিংনা শেল্লম্বা অমসুং য়োকখৎলম্বনি, অদুগা মসি মৈতৈ নিংথৌ অয়াম্বশিংনা অমুক শমথরম্মী। অদুবু অয়াম্বদি মদু দিভিজন ওফ লেভরনি (শিন্থা পীবনি)। অদুগা, হায়রিবা Suppression & divide অদুদি চীংদা নত্তনা তমদসু অদুম লৈরম্মী।

চুড়াচান্দনা পাল্লিঙৈ মতমদা তম্পাক্তা লৈবা মৈতৈশিংনা অঙকপা ফংনা ৱারম্মী। মসি ঐখোয়গী চীংমী ইচিন-ইনাওশিংনা খঙবীবা তাই, ঐখোয়গী তম্মীশিংনা মসিবু খঙহনবা তাই। কনা অমনা পাল্লবসু পামদ্রবসু ঐখোয় চীংমী-তম্মী পূম্নমক চান্ননা, নুংশিননা অমদি শান্তি ওইনা লৈমিন্নবা তাবনি। ঐখোয়না মতিক চাদবা পোলিটিসিয়নশিং অমদি মরম চাদবা গ্রুপ/পিপলশিংগী খায়াৎতা তাহল্লোইদবনি।

**৩) লিগেল এন্দ হিষ্টোরিকেল কনফিগ্যুরেসন :** মথক্কী ৱাফমশিংসিনা তাক্লিবদি এন এস সী এন (আই-এম) না মণিপুরগী নাগাশিংসি নন-মণিপুরী নাগাশিংগা কম্মন হিষ্টোরি লৈ হায়বসি তাবা য়াদবা অমদি য়ূম্ফম য়াওদবা ৱাফমনি, অদুগা লিগেল অমদি হিষ্টোরিকেল কনফিগ্যুরেসন্দা লেপ্পা ঙমলোইদবা ৱাফমনি। অসিগুল্লবা অমত্তা ঙাইরবা অমদি তমজনীংঙাই ওইরবা হিষ্টোরি অসি ঐখোয়গী হিষ্টোরিয়ন, স্কোলর, ইন্টিলেকচুএল অমদি সিভিল সোসাইটিশিংনা খঙবীবা ঙমদ্রি, করিগুম্বা খঙলবসু মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংদা দরকার লৈবা মতমদা (হৌজিক্না Framework agreement parley) রিপ্রজেন্ট তৌবা অমদি খঙহনবা ঙমদ্রি। ফ্রেমৱর্ক এগ্রীমেন্টকী ৱারী শানবসি হৌজিক্তি ফাইনেল ষ্টেজদা লৈরবনা, নাকল অনীমক্না অরোইবা ৱাফম কয়া থম্নখ্রে। অদুনা ঐখোয়না ঐখোয়গী ষ্টেন্দ অদু য়াম্না শেংনা খঙহনবা মথৌ তারি।

রিলাইএবল ওইবা সোর্স কয়ানা তাক্লিবদি **Satellite territorial area council** অমা **Tartar Hoho** গী মখাদা শেমদুনা সেন্টরনা দিভাইদ ফন্দিং তৌবা হায়বসিদি য়ানরে (Latest source : Serolin, The Sangai Express 4/10/2019) মসিদা য়াওরিবদি অরুনাচল প্রদেশ অমদি মণিপুরনি, অসামদি য়াওদ্রে। **মসিনা চুম্লবদি মণিপুর অমুক হন্না মৈ হৌবা হায়বসি শোয়দ্রবনি**। অদুনা, ঐখোয়গী পোলিটিসিয়ন, ইন্টিলেকচুএল অমদি সিভিল সোসাইটিশিংনা **মোদি অমসুং সেন্ত্রেল লীদরশিংদা মণিপুরগী জিওগ্রাফিকেল ইন্টিগ্রিটিদা নত্তনা পোলিটিকেল অমসুং সোসিএল ইন্টিগ্রিটিসু শোকপা য়ারোই হায়বসি অমুক হন্না হায়বা তাবনি, থম্বা তাবনি**। মসি হায়বদা মথক্তা পনখিবা আর্কিওলোজিকেল এন্দ হিষ্টোরিকেল নেরেটিভ অদুসু খঙহনবা তাবনি। মসিদা নত্তনা, আর্টিকল ৩৭১গী মখাদা মণিপুরগী সর্টেন প্রোটেক্সন পীবগী ৱাফমসু থমগদবনি। তৌহৌদ্রগা, তুংদা নাগালেন্দগীদি সি-সি পীখ্রে, অদুগা মণিপুরদসু পীগদবনি হায়বা ৱাখল্লোন্দু লাপ্না থমখিগদবনি। ঐখোয়না হৌজিক্কী মতমদগী খোঙথাং অমা হেনগৎনা লেপ্পা তাবনি, অদুগা অতৈ মীওইশিংদগীসু খোঙফম অমা হেনগৎনা থাংদুনা লৈবা তাবনি। অদু ওইরবতদা ঐখোয় হিংবা ঙমগনি। হৌজিক অসি মণিপুরীশিংনা লৈজবা পাঙ্গল অমদি ত্রিকশিং শীজিন্নবা চপ চারবা মতমনি। শুকতৌ তৌহৌদবদগীদি থেংলবসু থেংনা তৌফম থোকপদু তৌহৌবা হায়বদুনা হেন্না ফবা পুরক্কনি। ●

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## ফ্রেমৱর্ক এগ্রীমেন্টকী ৱারোইশিন নকশিল্লকপদা

ঈকায় খুম্নজরিবা এদিটর,

ইন্দিয়া অসি চাউখ্রবা দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমনি। কুমজা ১৯৪৭কী অহিং নোংয়াইদা বৃটিশনা ইন্দিয়া থাদোক্লবা মতুং নেহরুনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরবদা সর্দার বলাভাই পটেলনা হোমগী থবক পুদুনা ইন্দিয়াগী মনীং তম্না লৈরম্বা নিংথৌ পানবা লৈবাক মচা মচা ৫৬৩মুক অপূনবা ইন্দিয়াগী মনুংদা তিলহন্দুনা অচৌবা লৈবাক অমা শেম্নবগী মঙলন্দা মতম অদুগী লুচিংবা কয়ানা হোৎনবগী মহয়নি ঙসিগী ইন্দিয়া। মণিপুরসু ইন্দিয়াগী ফিবান্নুংদা তিনবদা অপূনবা মণিপুর ওইনা লৈবা চীংগী ইচিন-ইনাও কয়াসু পূন্না অপূনবা ইন্দিয়াদা কুমজা ১৯৪৯গী ওক্তোবর ১৫দা তিল্লে হায়না লাউথোকখিবনি। কুমজা ১৯৫০দা ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসন চৎনখ্রে। মসিদা তোঙান তোঙানবা ফুরুপ কয়াগী ঙাক শেন্নবা আর্টিকল কয়া, ক্লোজ কয়া মচা খায়না ভি আর অম্বেদকরনা চ্যের লৌদুনা কন্সটিট্যুসন দ্রাফটিং কম্মিটি শেমদুনা অপূনবা ইন্দিয়াগী অমত্তা ঙাইরবা কন্সটিট্যুসন চৎনখ্রবনি। কুমজা ১৯৪৯গী মমাঙদা মণিপুরদা মশাগী তোঙানবা কন্সটিট্যুসন শেমদুনা চৎনখ্রবনি। অসুম্না অপূনবা ইন্দিয়াবু হেন্না মপূং ফানবা ঙসিগী সেন্টরগী লৈঙাক্না মীখলদা এম এল এ অমসুং এম পি মতম অমত্তদা তৌবা মান্নবা লোন লৈহনবা নেসনল লেংগ্বেজ অমা থম্বা, মান্নবা লৈঙাক লৈহনবা, লৈরাং লৈচু লৈশক কয়াবু লংলা অমত্তদা পূন্না লেংবগুম কন্সটিট্যুসন্না লংলা ওইনা থমখ্রবা অসিদা ষ্টেটশিংগী মরক্তা কন্সটিট্যুসনগী তোঙানবা ফিরাল, তোঙানবা ৱাখল পুথোরকপসি য়াম্নমক নৈনবা চংই।

মণিপুর মশাগী কন্সটিট্যুসন হান্না লৈজরম্বা, মীখল ফাওবা অপূনবা ইন্দিয়াগী হান্না পাঙথোকখিবা, ইশাগী লোন-ময়েক লৈজরিবা, মশান্না কয়া লৈজবা, আর্টস এন্দ কলচরদা মীপান তাংদ্রবা, ফিজেৎ-চাকচাদা তোপ তোপ্না লৈজবা অদুগী মথক্তা কুমজা ১৮৯১দা মশাগী নীংতম্বা মাঙখিবদা চিংথরগা লৈখ্রবা অদু কুমজা ১৯৪৭কী অহিং নোংয়াইদা নীংতম্লবদা বোধচন্দ্রনা মাগী লান্মীগী লোয়ননা অহিংদা নোংমৈ ১৮লক কাপ্তুনা কংলাদা মণিপুরগী ফিরাল পাইহনখিবনি। ইন্দিয়াগী পুৱারী লৈবগুম নিংথৌরোল ৬৭কী পুৱারী লৈজবা মসিবুনা নাকপাক তাবা য়াবগী ৱাফম তৎতনা লাকপা, মমাঙ-মমাঙগী নিংথৌরোল কয়ানা ঙমখৈ পিকশিনবদি লায়রদনা চাউথোক্লবা হোৎনবীরম্বা কয়াবু ইন্দিয়ানা শক খঙবীদবা হায়বসি ফংফম থোকপা রাইট কয়া ইন্দিয়াগী ফিবান্নুংদা তিল্লুবনা পূম্নমক নাথৈখ্রবা ইমা ইচা, ইচিন-ইনাওগী মরক্তা নুংশিনদনবা হু কামশিনবা অসিমক ঐখোয়না তুমিন্না খাংদুনা লৈফম থোকপরা? অপূনবা হায়বসিদা বোল শান্নবদা মীওই ১১না টিম অমা শেমদুনা শান্নবদা মীওই অমনা কাওনীংবা মায়কৈদা পংকাও কাওবা তারবদি টিমগী মেনর কায়গনি, মীগী মখূৎতা পোবা মশানা তাবনি। অপূনবা শক্তম হায়বসিদা ইশা ইশাগী অনীংবা অপাম্বা ঙাক্তা তানবা অসিনা করিদা কায়রক্কদগে খনবনা অচুম্বা ওইফম থোক্ত্রা? ঐগী অপাম্বনা অতোপ্পদা কায়গদবা লৈরবদি মদু লৈমিন্নবা অমদি হিংমিন্নবগী লম্বী মাঙখ্রনি। হিংমিন্নবা হায়বসি ঐগী ঐগী অনীংবা ঙাক্তা তানবা য়াদে। অতোপ্পগী খরা য়েংমিন্নবা চংই। তৌনীংবা ঙাক্তা তৌবনা অনীংবা খুদিং থুংবনা হিংবগী মচৎ নত্তে। তাল্লিবা দিমান্দ খুদিং মীনসু য়াবা, লাইনসু য়াবা চৎনলোন অমা চংই।

ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসন অসি অমসু অমসু কায়দনবা য়েংদুনা শেম্বনি। ঙসিগী ফ্রেমৱর্ক এগ্রীমেন্ট কুমজা ২০১৫গী ওগষ্ট ৩গী মনুংদা য়াওজবা মীয়ামদদি ফোঙদোক্তবা মদুদা নাগাগী ফিরাল তোঙানবা অমদি কন্সটিট্যুসনগী ৱাফম ময়েক শেংনা য়াওই হায়বসি ঙসিগী ৱারোইশিন লাক্লমদাই অসিদা ফোঙদোরক্লিবা ৱাফম কয়ানা ময়েক শেংহল্লি। অপূনবা ইন্দিয়া থুগাইনবা হোৎনরকপা হায়বসি মণিপুরসু য়াওনা কায়রগদবনি। ঈশিং ঈচেলগী পল থিংবদা মফম অমদা খজিক্তং য়ুখিবা হায়বসি অচৌবা পলদু কায়নবগী অচৌবা মচাক অমনি। করিগুম্বা ফিরাল তোঙানবা, কন্সটিট্যুসন তোঙানবা য়ানরকপা ষ্টেট য়াওরক্লবদি হান্না পূম্নমক ৱাৎতবা মণিপুরনা ইহান হান্না ফংফম থোকই। মসি কনানসু অথিংবা পীফম থোক্তে। অপূনবা শান্তি অমা পুরক্লবা অমনা অমদা অকায়বা পীবা য়াজনবা মালেমগী ওইবা চৎন-কাঙলোন অমা য়ু এন ও হায়বা অমা শেমদুনা লৈবাক কয়াগী মীহুৎ য়াওদুনা মালেমগী লৈবাক কয়াগী অফ-ফত্তগী ৱারম কয়া খন্ননবা লৈরিবা অসিনি। মসিগী মায়োক্তা লৈবা লৈবাক টেররিজম শৌগৎপা য়াওরকপদা য়ু এন ওনা লৈবাক অতৈগী মতেংগা লোয়ননা মদু থিংনবা হোৎনরিবনি। মণিপুর মীয়াম্না ঙসি লেপ্লিবা ফিরেপ অসিদি কুমজা ১৮৭৩গী দিসেম্বর ১৩দা ঙসিগী মেপ অসি নৌনা রি-দিমার্কেসন তৌদুনা ডা. ব্রাউন্দ এফ আর সী এস ঈ অমসুং থঙ্গাল জেনরেল অনীনা নাকল অনীগী লুচিংবা ওইনা ফমখিবা অসি কাইদনবা থম্বা অসিনি। নাগালেন্দগী নাগানা ইন্দিয়া লৈঙাক্তা তান্নীংবা দিমান্দ তানবদা অকায়বা লৈতে। অদুবু মণিপুর কায়নবা য়াৎলকপা পোরমদি মণিপুরীশিংনা খাংদুনা লৈরোই। মমৈদা শুংয়া য়ারোইদবগী মমি লৈরক্লবদি ঐখোয়গী ফ্লেগ অমদি কন্সটিট্যুসন লৈজবনিনা কুমজা ১৯৪৯গী প্রি মর্জর এগ্রীমেন্ট ষ্টেটসতা হঞ্জিনগে হায়বা তারক্কনি। মসিবু ইন্দিয়া লৈঙাক্না লায়না লৌবা চুল্লোই। থবক খুদিং মীয়ামগী মপি মপা অমা ওইনা য়াম্না মমুৎ তানা খন্থবীদুনা পোরম অমা য়াৎপীবা চুমগনি। অদু নত্তনা কুমজা ২০০১গী বেঙ্কোক দিক্লারেসন্দা খন্থবা তৌদনা ঙমখৈ কত্তবা হায়বা ক্লোজ অমা য়াওহনবদুনা মণিপুর মৈনা তুম্না চাক্তুনা তাঙ্গোই ওনখিবা ইন্দিয়া লৈঙাক্না কাউদবা চুমগনি। ইন্দিয়াগী লুচিংবা অয়াম্বনা মণিপুর কায়বা য়াবা দিভাইট এন্দ রুল পোলিসি কয়া শান্নদুনা মণিপুর মীয়ামদা চৈথেং ফংগদবা ঙাক্তা লংশিল্লকপসি তৌবীদনবা ষ্টেট অসিগী মরুওইবা লুচিংবা কয়ানা চুঙ্গোই অপাকপা পায়বীদুনা মণিপুর মাঙগদবা পোলিসি কয়া ঙাকথোকপীয়ু হায়জবগা লোয়ননা ইমা মণিপুরগী অৱা অনাদগী নাম্থোকপা ওইরসনু খন্না মপুগী মফমদা থৌনিজরি।

*অদোমগী - এম থম্বৌ, ককচীং খুনৌ হিজম লৈকায়*

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।